## ইমপ্লোয়ীশিং কৌথোকখ্রে

বাঘদাদ, মে ১৫ (এজেন্সি) : ইরান্না কিহনবগী থৌওংশিংবু লুনা লৌবগী খোঙথাং অমদা ৱাশিংটন্না ইরাক্তা লৈরিবা দিপ্লোমেটিক মিসনশিংদা থবক তৌরিবা নন-ইমর্জেন্সি অমেরিকানশিং লৈবাক অদু থাদোক্নবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

মিদল ইষ্টতা লৈরিবা য়ু এসগী লান্মীশিং অমসুং য়ু এসকী ফেসিলিটিশিংদা ইরান্না অকিবা পীবা হেনগৎলক্লে হায়রদুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না টেহারানদা অনৌবা অথিংবা কয়া থম্বগা লোয়ননা লমদম অদুদা য়ু এসকী অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনখ্রবনি।

## ফ্রান্সনা মিলিটরি ট্রেনিং মখা চখিগনি

পেরিস, মে ১৫: হৌজিকমক্কী ওইনদি ইরাক্তা চথরিবা মিলিটরি ট্রেনিংগী থবকশিং লেপ্পগী থৌরাং লৈতে হায়না ফ্রেঞ্চ আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে। ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকপদগী জর্মনি অমসুং নেদরলেন্দসনা ইরাক্তা মিলিটরি ট্রেনিং লেপ্পগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখিবা মতুংদা ফ্রান্সনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

## য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মায়থিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে



ৱাশিংটন, মে ১৫ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মায়থিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে অমসুং য়ু এস ফোর্সশিং য়াম্না থুনা অফঘানিষ্টান থাদোকচখ্রগনি নৎত্রগা মখোয় নমদুনা লৈবাক অসিদগী তান্থোক্লগনি হায়না টালিবানগী চীফ নিগোসিএটরনা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি টালিবানগী চীফ নিগোসিএটর সের মোহম্মদ অবাজ ষ্টানেকজাইনা লুচিংদুনা টালিবান নিগোসিএটর টিম অমনা য়ু এসকী ইন্টরলোকুটরশিংগা নৌনা ৱারী শান্নগদবা নুমিৎ নিনিখক ৱাৎলিঙৈ হৌখিবা এপ্রিল ২৮ দা কটরকী দোহাদা পাঙথোকখিবা গ্রুপ অসিগী ওইবা মীফম অমদা মহাক্না ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি হায়না লৈবাক-পোকপা নুমিত্তা ভোইস ওফ অমেরিকা ন্যুজ আউটলেটনা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক্পা মরী লৈননা য়ু এসকী স্পেসল এনভোই হাপখি জামে খালিলজাদ অমসুং মহাক্কী টিমনা কটরগী কেপিটেলদা টালিবানগী মীহুৎশিংগা চয়োল অমা চুপ্না নিগোসিএসন চথখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা প্রো-টালিবান সোসল মিদিয়া আউটলেটশিংনা ষ্টানেকজাইগী স্পীচ অদুগী ভিদিও রিলিজ তৌখি।

স্পীচ অদুদা ষ্টানেকজাইনা মমাংদা অফঘানিষ্টান্দা লান্দারকখিবা বৃটিশ অমসুং সোভিয়েট লান্মীশিংবু অমদি হৌজিক্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংবু থৌনা লৈনা মায়োক্নবগীদমক্তা অফঘান লৈবাক্কী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, অফঘানিষ্টানদা টেরর গ্রুপনি হায়না লৌনরিবা টালিবানবু লাম্হেংনরিবা প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না ট্রেনিং পীবগা লোয়ননা পাউতাক পীরিবনি।

শেন্নীবা মপুনা ঐখোয়বু হৌখিবা চহী চাদা সুপর পৱার অহুম মায়থিবা পীবদা মতেং পাংখ্রে। হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্নরিবা অহুমশুবা সুপর পৱার অসিসু শেন্নীবা মপুগী থৌজাল লৈরবদি ঐখোয়না শোয়দনা মায়থিবা পীবা ঙম্লগনি। সুপর পৱার অসিগী ফোর্সশিং অফঘানিষ্টানদগী মরান্নাই ৱারেপ্পা চৎচখিবগী নৎত্রগা মখোয়বু ঐখোয়না নমদুদা লৈবাক অসিদগী তান্থোকখিবগী পাউমীপুম খুদিংমক্না থুনা তাবা ফংলগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ভিদিও অদুদা টালিবানগী চীফ নিগোসিএটর অসিনা অফঘান প্রসিদেন্ট অর্সফ ঘানিবু চৈ থাংখি অমসুং মহাকপু অমদি অতৈ প্রো-গভর্নমেন্ট লুচিংবশিংবু মমাংদা অফঘান্টিনবু সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না পায়শিল্লিঙৈ মনুংদা মোস্কোদা মতেং পাংখিবা মীওইশিংগা চাংদম্নখি।

## য়েমেনগী হোদৈদাহদা লান অমুক হৌখ্রে



দুবাই, মে ১৫ (এজেন্সি):

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়েমেনগী হিথাংফম সিটি হোদৈদাহদা হৌথি ফাইটরশিং অমসুং প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা অমুক হন্না খুৎ থোক্নরকখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা চৎনরকখিবা সীজফায়র কায়খ্রে অমসুং পিছ টোক্কী লম্বী ফাৎনবগী পান্দমদা হিথাংফম অদুদগী ট্রুপশিং লৌথোকপগী খোঙথাং লুশিনহনখ্রে।

হৌথি রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখিবা হোদৈদাহ হিথাংফম অসি লান অদুনা চাবা ফংদবগী ফিভম মায়োক্নহল্লবা য়েমেনগী মীওই মিলিয়ন কয়াগী লাইফ লাইন অমনি। লৈবাক অসিদা মপান্দগী লাকপা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অমসুং তেংবাংগী পোৎলম পুম্নমক হিথাংফম অসিগী খুখাংদা চঙলল্লিবনি। হৌথি রেবেলশিং হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী হোদৈদাহ অমসুং রেদ সীগী অতৈ হিথাংফম অনীদগী হন্দোকপা হৌখি। মদু চহী মরি শুরক্লবা লান অদু লোইশিনবগী মায়কৈদা চঙশিল্লকপা খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌনখি। হিথাংফমশিং অদু কোষ্ট গার্দ অমদা শিন্নখিবগা লোয়ননা ট্রুপশিং লৌথোকপগী থবক চথরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নাকল অনীমক্না নৌনা খুৎ থোক্নবা হৌরে হায়না ফোঙদোক্নরকখিবনি। প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা এয়রপোর্ট য়াওনা হোদৈদাহ সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অচৌবা অমদি ময়াই ওইরপ্পা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক্ট তৌরক্লে হায়না হৌথিশিংগী মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

## ইর্দোগন অমসুং পুটিন্না মীফম কৌননবা লেপ্নখ্রে



অঙ্কারা ৱাশিংটন, মে ১৫ (এজেন্সি):

সিরিয়াগী নোর্থ ৱেষ্ট লমদমগা মরী লৈননা শেমখিবা ৱার্কিং গ্রুপ অমগী মীফম য়াম্না থুনা কৌনবগী ৱাফম টর্কিস প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগন অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না য়ানরে হায়না টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেস নেসন্সকী মতুং ইন্না হন্দক্তা সিরিয়াগী ইদলিব অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন আর্মি অমসুং মসিগী মীচংশিংনা চথখিবা ওফেন্সিভ অমনা লমদম অদুগী ১৫০,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনহনখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিং অমসুং সিভিল দিফেন্স ওফিসলশিংনা ওফেন্সিপ অদুদা মীচং ১২০ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

টর্কিস ফোরেন মিনিষ্টর কভুসোগ্লুনা ফোঙদোকখিবদা, সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা চথরকখিবা এটেক্টশিং অদুনা য়ু এননা ৱাতেমদুনা অনৌবা সিরিয়ন কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবগী থৌরাংদা অকায়বা থোকহল্লে।

টর্কিনা রসিয়ন মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমস লৈবদগী থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা য়েংশিন্নবগী ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেম্নবগী ৱাফমগী মতাংদা টর্কিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা খন্নরি, তৌইগুম্বসুং মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদু লৌশিনবগী মতমদি থিম্বা তৌররোই হায়নসু ফোরেন মিনিষ্টর কাভুসোগ্লুনা ফোঙদোকখ্রে।

অঙ্করানা নাটোগী সিষ্টেমসকা চানদবা রসিয়াগী এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা ৱারেপ লৌখিবদগী টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা উংখৎনরকখিবনি।

য়ু এস ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি, টর্কিনা রসিয়ন দিফেন্স সিষ্টেম লৈগদৌরিবদুনা লৈবাক অসিনা এফ-৩৫ ফাইটর জেটশিং শাবদা লৌগদৌরিবা থৌদাংদা অমদি এয়রক্রাফ অসিবু লৈবগী থৌরাংদা অকায়বা পীরক্নি।

রসিয়ন মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদুগী রাদরনা এফ-৩৫ ফাইটর জেটশিংবু ইরায় লাইনা ট্রেক্কিং তৌবা ঙমগনি হায়না ফাইটর জেটশিং অসিবু শীজিন্নরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ নাটোগী মীচংশিংনা কিরিবনি।

## সাউদি ওইল ফেসিলিটিশিংদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চখ্রে

দুবাই/রিয়াদ, মে ১৫ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকা নক্নুনা ওইল টেঙ্কর অনীদা এটেক্ট চখিবা মতুং নুমিৎ নিনি কান্নরগা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউদি ওইল পম্পিং ষ্টেসন অনীদা খুৎলায় য়াওবা দ্রোনশিংনা এটেক্ট তৌখি হায়না সাউদি আরবিয়না ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা ইরাক্তা লৈবা য়ু এসকী ফোর্সশিংদা ইরান্না শৌগৎপা ফোর্সশিংনা কিহল্লকপা কয়া থেংননবা শেম শারে হায়না য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাশিংটন্না থা অসিদা ইরানগী থাও থাদোকপগী থবকশিং পুমলেপ লেপহন্নবা অমসুং ইরান্না কিহল্লকপশিং থেংননবনি হায়দুনা গল্ফতা মিলিটরি খুৎশু-খুৎলায় হান্নদগী হেন্না য়াম্না পৈশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবদগী য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা এটেক্টশিং অদু চথরকখিবনি।



লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিয়াদকী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৩২০ হেন্না লাপ্না লৈবা থাও হানফমশিংদা চখিবা এটেক্টশিং অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা ফুজাইরাহ এমিরেটকী মনাক্তা টেঙ্কর মরিদা চখিবা এটেক্টশিং অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরানগী মরক্তা লান অমা থোক্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখি।

অদুমওইনমকয়ু এস ওফিসলশিংনা ইরান্না চথরকপা য়াবা এটেক্টশিং নৎত্রগা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থুনা পুথোকপা য়ানবা হোৎনরকপগী ফিভম কয়া থেংননবা মিদল ইষ্টতা ট্রুপ ১২০,০০০ ফাওবা থানবগী মিলিটরি থৌরাং অমা য়ু এস ওফিসলশিংনা খন্নরি হায়বা ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট অমা য়ু এন প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়াখিদ্রে।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবদা, ন্যু য়োর্ক টাইমসকী পাউ অদু অরানবনি। অদুগুম্বা খোঙথাং লৌখৎনবা ঐখোয়না থৌরাং তৌবা লৈতে। করিগুম্বা তঙাই ফদনা মিদল ইষ্টতা ট্রুপশিং থাবা তারবসু পাউচে অদুদা পল্লিবা মশিংদুদগী হেন্না য়াম্না থাগনি। ট্রম্পনা চহী অমগী মমাংদা ইরান ন্যুক্লিয়র দিলদগী য়ু এসপু ৱিথদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমখিবদগী লৈবাক অনীগী উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

## ম্যান্মারগী ইরাংনা ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রবশিংদা মতেং পাংবা য়াহন্নবা য়ু এননা তকশিনখ্রে

নেপিটো, মে ১৫ (এজেন্সি):

ম্যান্মারগী কন্ফ্লিক্টশিংনা মরম ওইদুনা ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই ২৭০,০০০ দা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবগী অয়াবা পীনবা অমসুং অৱাবা নংলবা মীওইশিং অসিগী সোল্যুসনশিং পুথোক্নবা য়ু এন এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি-জেনরেল ফোর হ্যুমেনিটেরিয়ন এফ্যেরস অমসুং দেপ্যুটি ইমর্জেন্সি রিলিফ কোওর্দিনেটরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ম্যান্মার ওথোরিটিজদা তকশিনখ্রে।



উরসুলা ম্যুলরনা ম্যান্মারগী ইরাংশিং অদুনা মরম ওইদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোকখ্রবা মীওইশিং অদু মখোয়-মখোয়গী ময়ুমশিংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা অমদি মশাগী ইকাই খুম্নবা কঞ্জদুনা হল্লকচবা য়াবগী নৎত্রগা মখোয়না পামজবা অতোপ্পা মফম অমদা নৌনা খুন্দাজবা য়াবগী হকশিং লৈ হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না ৱাফম অসি নুমিৎ তরুক্লিগী মহাক্কী ম্যান্মার খোঙচৎ লোইশিল্লবা মতুংদা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ম্যুলরগী মিসন অদুদা কুম্মজা ২০১২ দা মশিং য়াম্বা বুধিষ্টশিংগা কাঙলুপকী ইরাং থোক্লকপদগী কেম্প কয়াদা লৈরিবা রোহিঞ্জা অমসুং কমান মাইনোরিটিশিং য়াওনা তেংবাংগী পোৎলমশিং ঙাইদুনা তঙাইফদবা লৈরিবা মীওই ৭০০,০০০ রোমগী অৱবা ফিভমশিং য়েংনবা নোংচুপ থংবা ম্যান্মারগী রাখাইন ষ্টেটদা চৎপগী খোঙচৎ অমা য়াওখি।

য়ু এনগী এনভেয় অসিনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম অসিনা ময়ুম মকৈ থাদোকখিবগী মরমশিং ঐখোয়না পুন্না য়েংমিন্নগদবনি। ম্যান্মার ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং ওইনা শকখঙবিদ্রবা রোহিঞ্জা মাইনোরিটি কম্যুনিটিনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়া ঐখোয়না য়েংশিনগদবনি।

কেম্পশিং অদুগী মপান্দা লৈরিবা মুস্লিমশিং চৎথোক-চৎশিন্দা মনীং তম্বা ফংদবদা নত্তনা মখোয় হকশেল অমদি মহৈ-মশিংগী খুদোংচাবসু ফংদবগা লোয়ননা অরুবা ফিভম কয়া মায়োক্নদুনা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মীওইবগী হকশিং খোঙ্গাওন-খিবগীমক্তা কন্দেম তৌনখিবা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা রখাইন ষ্টেটতা চথখিবা ওফেন্সিভ অদুবু য়ু এননা কাঙলুপ অমবু পুন্মুৎ মুথৎনবা হোৎনগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। শাথিরবা মিলিটরি কেম্প্যেন অদুনা মরম ওইদুনা লমদম অদুগী রোহিঞ্জা ৭০০,০০০ হেন্না য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেন্নখি।

মাইনোরিটি কাঙলুপকী গোরিলা গ্রুপ অমা ওইরিবা অরাকান আর্মি অমসুং ম্যান্মার আর্মিগী মরক্তা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকপগী ফিভমদসু ম্যুলরনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নবদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা থা তরুক অসিদা মীওই লিশিং ৩০ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখি। মীওই ২০০,০০০ হেনবদা মখল মখা কয়াগী মতেং কয়া পীখিবগীদমক্তসু মহাক্না লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসন কয়াবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যাশিং লাকশিন্নবগী মতাংদা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা বাঘদাদতা প্রেসর পীখ্রে

বাঘদাদ, মে ১৫ (এজেন্সি):

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা থা অসিদা বাঘদাদতা খোঙচৎ অমা চৎখিবদু ইরান্না শৌগৎপা সিয়াইট মিলিস্যাশিংনা য়ু এস ফোর্সশিং লৈরিবা বেজশিংগী মনাক্তা রোকেট কয়া ফিভম শেমদুনা থমজিল্লে হায়না য়ু এস ইন্টলিজেন্স ফোঙদোকখ্রবা মতুংদনি হায়না ইরাক্কী সিক্যুরিটি সোর্স অনীনা হায়রি।



মাইক পোম্পিওনা ইরাক্কী মিলিটরিগী মকোক থোংবশিংদা ইরাক্তা মতিক ময়াই হেনগৎলল্লিবা অমসুং হৌজিক্না লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী শরুক অমা ওইরবা মিলিস্যাশিং অদুবু লাকশিন্দুনা থম্নবা হায়খি হায়না সোর্সশিংদুনা ফোঙদোকখি। মখোয়গী মতুং ইন্না করিগুম্বা ইরাক্না ৱাফম অদু ঙাক্তবা তারবদি য়ু এসনা ফোর্স শীজিন্নদুনা পায়খৎফম থোকপা খোঙথাংশিং পায়খৎলক্কনি হায়নসু পোম্পীওনা খঙহনখি।

ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনরকপগা লোয়ননা হৌজিক ইরাক অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা লমদম অদুদা ইথিল পীবা হেনগৎলকখিবা য়ুমথংনরিবা ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা করি করম্না থবকশিং পায়খৎকদগে হায়বা খঙদ্রবা লৈবাক অমা ওইরক্লি। অমেরিকানশিংগী পাউজেলদি য়াম্না নাখৈ শেংই। মখোয়না য়ু এসকী ইন্টরেষ্টশিংদা অকিবা পোকহল্লিবা গ্রুপশিং অদুবু ইরাক্না লাকশিনগনি হায়বগী গরেন্টি পাম্মী হায়না পোম্পীওগী খোঙচৎ অদুগী মতাংদা মুন্না খঙবা ইরাক্কী সিনিয়র মিলিটরি সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা ইরাক্কী লৈহাওদা য়ু এসতা এটেক্ট তৌবা তারবদি লৈবাক অসিনা বাঘদাদকা তান্নদনা মশা ঙাকথোকচনবগী খোঙথাং লৌখৎচগনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

পোম্পীওনা খন্নখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কমেন্ট অমত্তা পীয়ু হায়বা য়াখিদে। অনীশুবা ইরাক্কী সিক্যুরিটি সোর্স অদুনা ফোঙদোকখিবদা, অমেরিকানশিংনা ইন্টরসেপ তৌখিবা কম্যুনিকেসন্সশিংনা মিলিস্যা গ্রুপ খরনা চিংননিঙাই ওইবা মুভমেন্ট খরা তৌখ্রে হায়বসি উংখি। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদু কায়হৌবগী মওংনি হায়না অমেকানশিংনা লৌই।

ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মাহদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ইরাক্কী মায়কৈদগী কনাগুম্বা মায়কৈ অমত্তদা অকিবা পোকহনগদবা মুভমেন্ট অমত্ত উখিবা লৈতে। গভর্নমেন্টনা পার্টি খুদিংমকপু খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোক্নবা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌরি হায়না ঐখোয়না অমেরিকানশিংদা শেংদোকখ্রে। ইরান্না গল্ফতা ইথিল পীবা লাকশিন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইরানগী তাও লৈবদা থল্লম্বা অথিংবশিং কোমথোক্লম্বদু হন্দোক্তুনা লৈবাক খরবু মখা তানা থাও লৈবা য়াহনখিদবদগী ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলকখিবনি।

## এন্টি-মুস্লিম এটেক্টশিং বুধিষ্ট গ্রুপশিংনা চখিবা ওইরম্বা য়াই



কলম্বো, মে ১৫ (এজেন্সি):

ইস্লমিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা ইষ্টর সন্দেদা চথখিবা বোম্মিংশিংগী লমন খুম্বা মানবা মওংদা চয়োল অসিদা শ্রিলঙ্কাদা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌবগী থৌদোক কয়া থোকখিবদু হার্দলাইন বুধিষ্ট গ্রুপশিংগী খুৎ ওইরম্বা য়াই হায়না শ্রিলঙ্কানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবা মীওই ২৫০ হেন্না শিহনখিবা চর্চশিং অমসুং হোটেলশিংদা টার্গেট তৌখিবা এপ্রিল ২১ গী এটেক্টশিং অদুনা ইথৎ লৈবাক অসিগী মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা লমন খুম্বগী থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈহনখিবনি।

মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌখিবা ইরাং অদুদা শ্রিলঙ্কাগী অৱাং-নোংচুপ থংবদা লৈবা টাউনশিংদা মীওই গ্রুপ কয়ানা মোস্কশিংদা এটেক্ট তৌখি। মখোয়না কোরানশিং মৈ থাখি। দুকানশিংদসু পেট্রোল বোমশিং লংশিন্দুনা এটেক্ট তৌখি হায়না মফমশিং অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ওথোরিটিশিংনা সিনহালা বুধিষ্ট এক্সট্রিমিষ্টশিংনি হায়বা মীওই অহুম য়াওনা ইরাংদা শরুক য়াখিবনি হায়বা মীওই ৭৮ ফাগৎখ্রে হায়রি।

## এম পিশিংনা মথং থাদা ব্রেক্সিট বিলগী ভোট লৌনরগনি

লন্দন, মে ১৫ (এজেন্সি):

প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে অমসুং ওপোজিসন লেবর পার্টিগা দিল অমা পুরকপা ঙম্লবসু নৎত্রগা ঙমদ্রবসু য়ু কেগী এম পিশিংনা মথং থা জুনগী অঙনবদা ব্রেক্সিটকী বিল অমা অমুক হন্না ভোট লৌনরগনি হায়না দাউনিং ষ্ট্রীটকী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



স্পোক্সপার্সন অদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা য়ু কেনা এম পিশিংগী সম্মর রিসেসকী মমাংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) থাদোক্কে হায়রবদি ব্রেক্সিটকী লম্বী ফাৎকদৌরিবা ৱিথদ্রোৱল এগ্রীমেন্ট বিলগী ভোট লৌনবা তঙাইফদে।

অদুমওইনমক খোঙথাং অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱিথদ্রোৱল এগ্রীমেন্টবু মরিরক শুবা ওইনা ভোট লৌনবগী ফিভমদি লাকহল্লোই হায়রি।

বৃটেনবু ঈ য়ু থাদোকহনগদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টর মেগী ব্রেক্সিট দিলগী শরুক অমা ওইরিবা ৱিথদ্রোৱল এগ্রীমেন্ট অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা লো অমা পাস তৌবগী তঙাইফদবা লৈরিবনি। মসি হৌখিবা চহীদা পাস তৌখিবা মমাংগী ব্রেক্সিট লেজিসলেসনগী টর্মশিংগী মখাদা তঙাইফদবা অমনি। লেজিসলেসন অসিনা বৃটিশ সিটিজনশিংগী রাইটশিংবু য়ু কেগী কোর্টশিংদা হকথেংননা চৎনহনবা য়াবা এগ্রীমেন্টকী শরুক অমা ওইহন্দুনা মখোয়বু ঈ য়ুগী কোর্ট ওফ জষ্টিষ্টকা মরী লৈনহনগদৌরিবনি।

বৃটিশ এম পিশিংনা অহুম্লক হন্না মেসগী ব্রেক্সিট দিল রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা বৃটেনগী মরু ওইবা পার্টিশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখিবনি। মে অমসুং লেবরগী লুচিংবা জেরেমি কোরবিননা লৈবাকপোকপগী নুমিদাংদা উনদুনা হৌজিক নাকল অনীনা ৱারী শান্নরিবদুগী মতাংদা খন্নরবা মতুংদা মথং থাগী অঙনবদা ব্রেক্সিট বিলগী ভোট লৌনবগী ৱাফম অসি লাকখিবনি।

লুচিংবা অনীনা ৱারী শান্নখিবদু কান্নে অমসুং পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না দাউনিং ষ্টিটনা ফোঙদোকখি। লেবরগী লুচিংবগা উনখিবদুদা মেনা নাকল অনীগী ৱারী শান্নবদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা ঈ য়ু থাদোক্নবগী রেফরেন্দমগী রিজল্ট থবক্তা ওন্থোকপগী অচেৎপা ফিরেপ বৃটিশ গভর্নমেন্টকী মায়কৈদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

চৈরকসিদা কঞ্জার্ভেটিভ এম পিশিংনা অমদি কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর শীন্দোক্নবগী ৱাফম খরা ফোঙদোক্লখিবা মতুংদা ওপোজিসন লেবরগী লুচিংবা কোরবিননা গভর্নমেন্টকী ফিরেপশিংদা চিংনবা লৈরে হায়না লেবরগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## এসিয়া বিবিগী উকিলনা খৃষ্টান মতৈ-মনাও অমগী কেসসু পায়রগনি

ইস্লামাবাদ, মে ১৫ (এজেন্সি):

মুস্লিম লাইনিং লাইশোনবু করম-কথাইনবগীদমক্তা কনভিক্ট তৌদুনা শিবগী চৈরাক ঙাইদুনা লৈরবা খৃষ্টান মতৈ-মনাও অমগী কেস এসিয়া বিবিবু দিফেন্দ তৌখিবা উকিল অদুমক্না পায়রে হায়রি।



পাকিস্টানগী খৃষ্টান নুপী এসিয়া বিবি ব্লাসফেমি চার্জশিংদা শিবগী চৈরাক ফংদুনা চহী ৮ দেথ রোদা লৈরক্লবা মতুং লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখিবনি।

সাগুফতা কৌসর অমসুং সাফকট মসিহ হায়রিবা পাকিস্টানগী খৃষ্টান মতৈ-মনাও অসি মুস্লিম নুপা অমদা মুস্লিম লাইনিং লাইশোনবু করেম-কথাইনবা টেক্স মেসেজ কয়া থাখিবগী মরাল শীখি। মরালশিং অদুদা মখোয়বু কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মতুংদা মখোয়না লাহোর হায় কোর্টতা আপিল অমা থাঙ্গৎখিবনি হায়রি।

এসিয়া বিবিবু ব্লাসফেমিগী চার্জশিংদা কনভিক্ট তৌখিবা মতমদা কিহল্লকখিবা কয়ানা মরম ওইদুনা মতম খরা পাকিস্টান থাদোক্তুনা চেনখিবা উকিল সাইফুল মলুকনা মান্নবা লোগী মখাদা কুমজা ২০১৪ দা মতৈ-মনাও অদুবু কনভিক্ট তৌখিবগী মায়োক্তা আপিল তৌরগনি। উকিল মলুক্কী মতুং ইন্না সাগুফতা কৌসর হৌজিক এসিয়া বিবিনা লৈরম্বা জেলগী সেল অদুমক্তদা ফাজিন্দুনা থল্লি। মচা ৪ লৈরবা মতৈ-মনাও অসি পঞ্জাব প্রোভিন্সকী গুজরাদগীনি হায়রি।